# থাঙ-তাগী মহৈবু থৱায় য়াওনা য়োকখৎপীরিবা শিন্তাক পুরেল সাইখোম নোদিয়া মঙাঙ





(হান্নগী মখা...)

তন্বীবদা ওইরোইদবা মীসু পংলৌদা লৌদে। অদুনা য়েংলগা ওইগদবসিদি অদুম লৌশিল্লি। নুপীমচাশিং থাঙ তমজগে হায়দুনা লাকপশিং অদুসু চৎন-লোনচৎনা হান্না মাঙ থারগা তন্বী। চহী খরগী মমাঙদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ওইবিরম্বা ইবেম্মনা সোরোজিনিনা মণিপুরগী লৈরিবা থাঙ-তাগী ওজা ময়ামসি কৌবীরগা খন্ন নৈনবা থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুগী শুম চখরকপা ইন্টরভিয়ু অমদা থাঙ-তাসি করম্বদগী ইহান হান্না তম্বা হৌগদগে হায়দুনা ইবেম্মা সোরোজিনিনা থাঙগী ওজা পূম্ন মকসিদা হংবীরকখি। মদুদা য়াওখিবা ওজাশিং খরা মীং পঞ্জরবদা ওজা খেলচন্দ্র, ওজা হেরামোত, ওজা গৌরকিশ্বর (পদ্মশ্রী) অসিনচিংবনি।

ওজা পূম্নমকসিনা পীবীবা মততা লৈতেংদগী হৌগদবনি, থাঙহাইদগী হৌগদবনি, খুজেং লৈবদগী হৌগদবনি, হকচাংগী ওইবা নাক-য়েৎ, তুং-মাঙগী শাজেলদগী হান্না হৌগদবনি হায়দুনা মথং মথং খুন্বীরকখি। ঐগী মতাং য়ৌরকপা মতমদুদা ঐনা তপ্পা খুমজৈ ইবেম্মা থাঙ-তা তম্বা হায়বসিদি ফমুংদগী তম্বা হৌদ্রগদি হৈবা শুকয়া য়ারোই।

মমা মপানা মচাবু য়াহৌরো হায়দুনা হৌদোকপদুদগী অদুম হৌগদবনি। শ্বরগী কাঙলোন চুম্না থম্নবা হোৎনবসি, তূম্বা হেক হৌগৎলকপা মতমদগী হৌদবা য়াদে। মসি হায়বসিদা ময়াম পূম্নমকসি পুঙক ঙকনৈ। ঐনা মখা তানা মতমদুদা অসুম্ন া ফোঙদোকখি। ফমুংদা লৈরিঙৈ মতমদুদা শ্বরগী ফীভমসি চপ চানা থল্লবা মতুংদা য়াহৌরক্কদবনি। মসিনা অহানবা কাংলোন ওইরগা মখা চখরক্কদবনি। মদু নৎত্রগদি থাঙ তম্বদা মমুৎ তাবা ঙম্লোই।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### থাঙ-তাদা মিৎয়েং অমা

ৱাহৈসি ফোঙদোকপা মতমদা লৈখিদ্রবা ওজা গৌরকিশ্বর পদ্মশ্রীনা অসুম্না হায়রকখি, ওজা নোদিয়া মঙাঙগীদি থাঙ-তাসি তন্বীদ্রিঙৈদা লাইরোল হান্না লোল্লক্কনি। লাইরোল লোনদ্রিমখৈ মাদি থাঙ তন্বীবসু হৌদবনি। মদুদসু ঐনা হায়, ওজা গৌরকিশ্বরনা তাকপীরিবসি অচুম্বা ৱাফমনি। থাঙ-তা হায়বসিদি লাইরোল-তিরোলগা শাগোন্নদবা য়াদে। মাগীদি তোঙানবা কাঙলোন ময়াম অমসু লৈজে। শান্নবা মতমদসু পরম অমত্তা কায়বা য়াদে। কাঙলোন কায়না চৎপসু য়াদে।

থাঙ-তা তমগে হায়রগদি মীংখৈ লৌবগী (মীগী মরোলদা হায়রগনা বোরিবা) থৌরম পাঙথোকখ্রবদি করিগুম্বা খরদি ঙাক্লা চত্তবা শুকয়া য়াদে। মসি ঐগী ওইনদি খরা অহকপা ওইনসু থমজৈ। মরম অদুনা চাকচা ইথক, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, য়াহিপ-চাকচা, মিৎয়েং-নায়েং, খোঙ হাম্বদগী, খুৎ হাম্বদগী, থা অমগী মনুংসিদা চাহৈবা-চাহৈদবা, চৎহৈবা-চৎহৈদবা, হোরেন থাঙ পায়রমদাইদা করি তৌগনি, থাঙ লোইশিনলমদাইদনা করি তৌগনি পূম্ন মকসি হান্না কূপ্পা তন্বী।

মরু ওইনা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, চৎনলোনচৎ ময়ামসি তাকই। ইহান হানবদা, মশানা মশাবু মশক খঙজবা ঙম্নবা কাঙলোনশিং অসি তন্বীরবা মতুং থাঙ পায়বা য়ারনি হায়বা মতাংদুদা থাঙসি তাকপীবা হৌই। ইশানা ইশাবু খঙজবা ঙমদ্রবা, থাঙ-তা হায়বসি করিনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রগদি থাঙ-তা হৈবসু ওইথোক্তে। থাঙসি করিনো? তাসিনা করিনো? থাঙ-তাসি করিগীদমক ঐনা তমগদৌরিবনো হায়দুনা খন্থবা ঙমদ্রগদি আ মতোন য়ৌনা মপূং ফানা থাঙ-তা খক হৈবা ঙম্লোই।

অমরোমদা, থাঙ-তাসি খরগী মখৈ খঙলে হায়দুনা শো উৎপা চৎপা মতমসিদসু তহা তহা হেক্তা শান্নবা হৌবা য়াদে। লম অমা হেক য়ৌবগা ঐনা হায়গনি, ইচাশা কৈথেল য়েংঙু, কবোক খোইদুম অমত্তা ওইরবসু, হৈ অমা, লৈ অমা, লমদুবু কোনবীরিবা ইবুধৌ-ইবেম্থৌ হান্না খুরুম খাজেংবা তৌরগা, থৌনিজরগা হৌগদবনিকো। মসিগী পরমসি পুন্সি চুপ্পা কায়দনা ঙাক্লা চৎকদবনি।

অসুমহায়না ইচাশিং অসি চেকশিন্না তন্বীদুনা লাকপনিনা ঐগা লোয়নদুনা চৎচরকপা মতমদসু থোইদোক্লা অশোক অপন থোকপা লৈখিদে। চৎন-লোনচৎ য়াওদবা, পরম কায়না, থকসি-খাসি য়াওদনা থাঙ তৌবসিদি হৌনদবনি হায়না ঐনা লৌজৈ।

ময়ামগা ঐগা য়ান্নদ্রিবসিসু চৎন-লোনচৎকী মতাংসিদনি। লাই-তিনগী ৱা ঙাকসু নত্তে। কাঙলোন য়াওদনা, চাকচা-ইথক মফম মরাং খঙদনা চৎপা-লিচৎতি ইপাদি য়ানিংদে।

থবক অমা তৌরমদাইদা শ্বর, পুংফম কায়না তৌখ্রবদি মায় খক পাকপা ঙম্লোই। শ্বর অসিনা তাইওন্নদুনা লৈখ্রবদি করি তৌগনি, পুংফমসি করম্না চান্নহনগনি হায়বসি খঙগদবনি।

শ্বর শান্নবা হৈরবা, ইশাগা পুংফম চান্ননা থম্বা ঙম্লক্লবদি ইশানা ইশাবু মশক খঙবা ঙম্লক্লবনি হায়না লৌবা য়ারে। মতাংসিদগীদি থবক খুদিংমক হৌবা য়ারে।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪৯

1. মহাক টেনিস শান্নরোয়নি। মহাক্কী অচৌবা শক্তম অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সহর অমদা নূংনা শাদুনা থম্মী। মহাক হান্নগী ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?
2. মহাক বোল ৩৮১ দা রন ৩০০ হেন্না লৌদুনা টেষ্ট ক্রিকেটতা ইনিংস অমদা রন ৩০০ হেন্না লৌবা ঙমখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
3. ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্রিকেট টিমশিংদা মরিরক য়াওখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
4. মিটর ২.৪৫ অসি করম্বা এথলেটিক্স থৌরমগী মালেমগী রেকোর্দনো?
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


লেঙশিনবিরকউ/

হুইয়েন লানপাউগী অনৌবা ওফিস

কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স





# চাইনাগী ৱার্ল্ড কপকী মঙলান কায়খ্রে




শঙহাই, জুন ১৪(এজেন্সী) : মার্সেলো লিপ্পীগী চাইনানা কুমজা ২০১৮ গী ৱার্ল্ড কপ য়াওনবা অচৌবা মঙলান অমা মঙলম্মী। অদুবু সিরিয়াগা শান্নবা মেচ অমদা দ্রো ওইদুনা ক্বালিফাইয়িং গ্রুপকী মমৈদা লৈবদগী মঙলান অদু অরেম্বা তাখ্রে।

সিরিয়াগী অহমদ অল সালিনা ইঞ্জুরি টাইমদা ফ্রী কিক অমা ফংদুনা গোল চনবদগী নাকল অনী পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখিবগী মতাংদা ইটালিয়ন কোচ মার্সেলো লিপ্পীনা রেফ্রীদা মরাল শীখি।

রেফ্রীনা মেচ লোইশিনবগী হ্বিসল খোংলকপা তাবদা চাইনাগী কেপ্টেন ফেং জিয়াওটিং মপী তাদুনা কপখি। ইটলিবু লুচিংদুনা কুমজা ২০০৬ কী ৱার্ল্ড কপ লৌখিবা মার্সেলো লিপ্পীনা মশাগী অশাওবা ফাথনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা *চাইনা দেলি* পাউচেদা মহাক্লা হায়খি, ঙসিগী মেচ অদু চাইনাগীদমক্তদি থোইদোক হেনে দাক্লা নীংবা কায়নিংঙাইনি। য়ামদ্রবদা চাইনানা পোইন্ট ৩ ফংফম থোকপনি। অদুবু শুপ্নগী পোইন্ট ১ দগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রে। অহানবা হাল্ফতা ফজনা শান্নবা ঙমখিদ্রবসু অনীশুবা হাল্ফতদি চাইনাগী শান্নরোয় খুদিংমক নীংথিনা শান্নখি। অদুবু লাইবক থীবদি রেফ্রীনা অশোয়বা ৱায়েল অমা পীদুনা গেমগী মরাইবক হোংদোকহনখি।

য়ু এ ঈগী রেফ্রী অমর অলজনৈবীনা সিরিয়াদা ফ্রী কিক অমা পীখিবগী মতাংদা লিপ্পীনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্টরনেসনল, দোমেষ্টিক অমদি গ্রাসরূট ফুটবোলদা শেল কা হেন্না থাদদুনা অঙন্বা থাক্তা মাঙজিল থানবা হোৎনরিবা চাইনানা হৌজিক্তি শুপ্ন গী গেম অনীখক শান্নগদবা ৱাৎলি। এসিয়ন ক্বালিফাইয়িং গ্রুপ-এদা হৌজিক চাইনা অরোইবদা লৈরে।

মথং চহীদা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপতা গ্রুপকী মকোক থোংবা টিম অনী ক্বালিফাই ওইগনি। অহুমশুবদা লৈরিবা টিম অদুদি প্লে-ওফ শান্নগনি।

নীংবা কায়রবা চাইনাগী কেপ্টেন ফেংনা হায়খি, অনীশুবা হাল্ফতা নীংথিনা শান্নবগা লোয়ননা মায় পাকপা য়াবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংখি। অদুবু শান্নবা হায়বসিদি তম্বা ঙমদবনিনা মেচ অদু ২-২ দা দ্রো ওইখি। অদুমওইনমক লেমহৌরিবা মেচ অনীদা গোল য়াম্না চন্দুনা মায় পাক্ল বা হোৎনখিগনি। ওগষ্ট থাদা উজবেকিষ্টান অমসুং সেপ্টেম্বরদা কটারগা শান্নগদৌরিবা মেচতা চাইনানা পাঞ্জল য়াম্না চন্দুনা মায় পাক্তবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে।

# রোহন বোপানানা স্পোর্টস মিনিষ্টর উনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ১৪(এজেন্সী) : ইন্দিয়ন গ্রান্দ স্লাম ক্লবতা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না চঙলকখিবা রোহন বোপানানা ঙসি য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর বিজয় গোয়লগা উনখ্রে।

কেনাদাগী গেব্রিলা দেব্রোসকীগা লোয়ননা ফ্রেঞ্চ ওপনগী মিক্স দবলস টাইটল লৌখিবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা বোপানাবু মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

স্পোর্ট মিনিষ্টরনা হায়খি, শাংলবা চহী ১৭ শান্নদুনা লাক্লবা রোহননা টেনিস মশান্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। ফ্রেঞ্চ ওপনদা মহাক্লা মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখিবদা চাওথোকচবা পোকই।

বোপানাদা অর্জুনা এৱার্দ পীবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কম্মিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগদবনা হৌজিকমক্কী ওইনদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা ঙমদে।

বোপানানা বেঙ্গলুরুদা ইনখৎলক্লিবা টেনিস শান্নরোয় ৭০গা লোয়ননা একাদেমীদা শান্নমিন্নবা অমদি অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌদুনা মহেশ ভুপটি, লিয়ন্দর পেস অমদি সানিয়া মির্জাগা লোয়ননা গ্রান্দ স্লাম ক্লবতা য়াওবা ফংবগী মতাংদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা শান্নববু পামজবা মীওইশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিদা স্পোর্টসপু মীয়ামগী অপূনবা ঈহৌ অমা ওইহন্নবগীদমক কোচ অমদি শান্নরোয়শিংনা পীরকপা সজেসন মুন্না তাবা পাম্মী হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। বোপানানা টেনিস মশান্নগী একাদেমী অমা লিংখৎপগীদমক বিজয় গোয়লনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ইনখৎলক্লিবা অমসুং মচীন তুমখৎলক্লিবা শান্নরোয় কয়া শেমগৎনবা হোৎনবদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা পূক্লিং থৌগৎখি।




